থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# খ্বাইদগী ফবা কর্মগী ফল

স্পি রিচুএল লিদর অমনা হায়খিবনি - 'কর্মোঁ সে দরিয়ে, ঈশ্বর সে নহি... ঈশ্বর মাক কর দেতা হে কর্ম নহি...'। নঙনা তৌরিবা থবকশিং অদুগী অকিবা পোকপীয়ু, ঈশ্বরবুদি কিরুনু... ঈশ্বরদি ঙাকপী হৈবনি, কর্মনদি ঙাকপীরোই। ৰাহৈশিং-সিনা ঐহাকপু ৰাখল খলহনখি।



অতোপ্পা ৰাহায় অমগা লৈ - মেন ফোর্গেতস, গোদ ফোর্গিবস। মীওইবদি কাউল থী, ঈশ্বর মাদি ঙাকপী হৈ। কাউজল থীবা অমদি ঙাকপীহৈবা - অনী অসি মীওইবগী তোপ-তোপ্পা মগুন অমমমনি। ঙাকপীহৈবা! কনাগুম্বা অমদা কনাগুম্বা অমনা তৌরকপা থৌজালগী মশক ওইরবা থবক অমগীদমক তৌবীমল খঙবা উৎপা, কাউদবা, অমদি কনাগুম্বা অমনা কনাগুম্বা অমদা তৌরকপা ফত্তবা থবক অমগীদমক মহাক্তুবু ঙাকপীবা - মীওইবনা পাক তৌবা ঙমদবা থবক অমনি। মীনা তৌরকপা অফবা থবক্তুবুদি কাউথোকপা, ফত্তবা থবক্তুবুদি কাউবা ঙমদনা নীংশিংদুনা লমন খুম্নবা হোৎনবা - মীওইবগী থোইদোকপা মতৌ অমনি। মরম অসিনা, মীওইবনা তৌঙমদবা থবক পুম্নমক, শকউদ্বা ঈশ্বর মাবু ঙমহল্লি। অদুগা মাবু ঈরাৎলি। লমন খুম্বা, হাৎপা-তূপ্পা, ফত্তবা থবক্তু মখৈনা মীওইবনা তৌহৌই। অঙকপনি মীওইবা। তৌবিমল খঙদবা মীওইবা! ঙাকপীহৈবা, থৌজাল হৈবা ঈশ্বর! মীওইবনা শেম্বনি।

ঈশ্বর! মীওইবগী অঙকপা খুৎশেম অমনি। মীওইবনা তৌরুবা ফত্তবা থবক পুম্নমক্কী তাইশিনফম। হুরানবসু, মীহাৎপসু, লাইনিংবসু, সাধুসু, লল্লোনবসু, ... লায়রবসু, ঈনাকখুনবসু- পুম্নমক্কী থৌজাল নিফমনি - ঈশ্বর। 'ঐবু ঈনাক খুলহনবীয়ু।' ঈনাক খুনবশিংনা লাইশঙ খুদিং শরীক কৎলি, মা দব শাই, লাইশঙ মথোল হাপকৎলি। করিগী? মরল হেন্না পৈশিন'ঙম্নবা, হেন্না শেন্দোং তান্নবা, সনা হেন্না লেপ্পবা, ময়ূম মথোল ৰাংনবা। কনানসু থৌনিদে - 'ঐবু মীওইবগী মতেঙ পাংবা ঙমহনবীয়ু... ঐনা তৌরিবা থবক (কর্ম) সিনা মরম ওইদুনা অতোপ্পা মীওই কয়াগী ওইজবা-কান্নবা ওইরসনু...।'

'অনা অয়েক য়াওহনবীনু, মীশি মীনা নংহনবীনু, মীকোক থোংবা ওইহনবীয়ু, নুংঙাই-য়াইফ পীনবীয়ু...' অসিগুম্বা থৌনি অসি নত্তনা, অতোপ্পগীদমক কান্ননবা থৌনি অমত্তা মীওইবনা ঈশ্বরগী মফমদগী নীখিদে। লাইশঙদা, চর্চদা, মসজিৎতা লাক্লিবা মীওই পুম্ন মকসিগী পূক্নিংদা করি খল্লিবা হায়বদু রেকোর্দ তৌরগা 'দি- কোদ' তৌবা ঙম্বা খূৎলায় অমত্তং ঙসিগী সাইন্স অসিনা পুথোকপা ঙল্লবা, করিগুম্বা! থাজবীদবরা? মালেমসিদা লৈরিবা লাই-নীংফম/খুরুমফম পুম্নমকসি মীকুপ্তা উফুল ওনখিনি। পূক্নিংনা খনবা মীওইবগী ৰাখলদুগী অশেঙবা মমী, মহাক্কী ৰাহৈ অদুদা তাহনবা ঙম্বা লীশিং-লীচা কয়াগী মরক্তা অমত্তনি য়াওরক্কদবা। য়াওদবসু কোঙ্গায়নি। অদুবু, অমদি লৈ। মশাগী নুংঙাই-য়াইফবা তুংওইনরগা অতোপ্পগীদমক থৌনিবীবা ঙম্বা, মশাগী অৱা-অনা কাউথোক্লগা অতোপ্পা কনাগীদমক খনবীবা/খঞ্জবনা মশিঞ্জাং ওইবা মীওইবা মখল অমখকলৈ। মহাক অদুদি কনা নত্তে 'মমা' নি। মচাগীদমক ওইজবা পূম্বা থাদোক' ঙম্বী মমা! অদুবু 'নচা লৌথোকউ ঈচা শুমগে' হায়বা ঙম্বী মমাসু য়াওরকই ঐখোয় ঈরক্তা। অদুনা থুগায়রকই 'মালেমগী শান্তি'। মীগী মচাদুগীদমক করিগুম্বা'মত্তা তৌঙমদ্র'সু 'মচাদা য়েংবা নুংশি মীৎয়েংদুখক য়েংবীবা ঙল্লবা' - মালেম অসি কয়াদা ঈংনা পাল্লমগবা! নুংশি মীৎয়েং অদু পোকঙম্নবইদমক্লি ইপা-ইপুশিংনা হায়রল্লিবা - মীচা শিসনু নীংলগা ইচা শিবনি। অদুবু ঙসি কনানা ৰাখল অসি খন্থনরিবগে? অতোপ্পগী য়াইফনবা খনবদুমক ঙমদ্রবসু অতোপ্পনা নুংঙাইরোইদবা থবক অমত্তা তৌদনবা ৰাখলদুমত্তং খন্থনবা ঙল্লবসু খুন্নাই অসি কয়াগী মতিক ঈংনা-চিক্লা পাল্লমগনি!

ইশানা তৌবনা ইশানা ফংবা - ফবগীসু ফনা, ফত্তবগীসু ফত্তনা - হিন্দি লোনদি ওইরগা ঐখোয়না তত্তনা ইরোনগুম্না ঙাঙনবা 'কর্মগী ফল' হায়বদুগী অতোপ্পা মীৎয়েং অমদগী মান্নদবা ৰাহন অমখক হন্দুনা য়েংনিংলকই ঙসি।

নোংমা, অহানবা মণিপুর রাইফলস মমাঙগী, নোংপোকথংবা লম্বীগী চিদাইদা ঐগী ফোর হুইল্লরদু খাল্লগা থল্লম্মী (পার্কিং ফী কক্লগা)। ঐগী থবক লোইরগা থোক্লকপদদি - ঐগী হেক মনীংদুদা 'হোন্দা এক্কোর্দ' কার অমা ফৈনা খামদুনা লৈরম্লে। অথুবা থবক অমগী, তঙায়ফদনা য়াদদুনা খাল্লম্বা ওইরমগনি খন্দুনা, মীনিট মঙা-তরাদি তূমিন লেপ্তুনা ঙাইরম্মী। মীনিট ১৫-২০, পুংখায় হেল্লক্লবা তুংদদি গাড়ী মপু অদুবু থম্মোয়নুংদা চৈবদই হেন্দোক্তুনা, নোংমতা চীন্না পনখিদবা অকাম্বা ৰাহে ফাও য়াওনা ইচিনসিদা শোন্থাংননা চৈথোকখ্রে। নুপামচা খরগী মতেঙগা গাড়ীদু ইন্থোক্লবা হোৎনরিঙৈ মপুদু হোবে হোবে থুংলরগা 'আইম সোরি তামো' হায়রল্লগা থৌদুনা চৎখি। খনখিবনি - 'ময়ামগী মীচৈ নত্তবা থৌজাল (ব্লেসিং) ফংলম্বা থোক্লবা, মদুগী ভাইব্রেসন মঙোন্দা শোয়দনা য়ৌরম্নি।' ঐনা তৌবা থবক অমনা মরম ওইদুনা মীঙোন্দা খুদোংচাদবা থোকহন্দবা - মদুবুকৌই 'অফবা কর্ম'! লানব্রনে?

কনাগুম্বা দুকান্দারনা পোৎয়ান য়োনবা নত্তবা, এক্সপাইরি হেল্লবা পোৎ নমথাক তৌদুনা য়োন্দবা, 'ঐগীসিদা ঙসিদি অফবা পোৎ লৈতরে, হয়েং কোন্না লৌবীরো' হায়বা দুকান্দার - নোংমদুগী পোৎশিৎপুদি ৰাৎকনি। অদুবু, পোৎ লৈবা নুপাদুনা দুকান্দারদুবুদি কৈদৌঙৈদা চৈররোই, ব্লেসিং পীবা নত্তনা। অদুগুম্বা ব্লেসিং ময়ামদুননি মাবু মমীঙ লৈবা দুকান দার অমা ওইহন্দৌরিবা - শেঞ্জাও পায়বা দুকান্দার - অদুবু কৌই - অফবা কর্মগী অফবা ফল।

থাজবীয়ু - অদোম্না তৌবা থবক অমনা অতোপ্পদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহন্দবা, মদুবু হেনবা অফবা কর্ম অমা লৈতবনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# ঙানু-য়েন অমদি মীওইবগী হকশেলদা উচিনা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকই

উচি য়াম্না লৈবা ইমুংগী মীওইশিং মশা-মউ ফৎকন্দে। উচিনা অকোয়বদগী লায়না পোকহল্লকপা য়াবা পোৎলমশিং চেনশিল্লগা ইমুংদা চাইথোরকই। ঙানু-য়েন অমদি মীওইবগী হকশেলদা উচিনা মখল কয়াগী লায়না পোকহল্লকপা তারবসু মীওই অয়াম্বনা ৰাফম অসি ইথৌ-থৌশানদে।



য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা চৎথখিবা ষ্টদি অমদা পেথোজেনিক ঈ-কোলি কৌবা লায়না পোকহল্লপা য়াবা বেক্টরিয়া মখল অমা উচি মথীশিংদা য়াওই হায়বা খঙলকখি। বৃটিশ কলম্বিয়াগী ফার্ম অমদা লৈরম্বা উচি মথীশিং চাংয়েং তৌবদা মখল কয়াগী হীদাক চঙবা ঙল্লোইদবা মহীক অমা য়াওরম্বসু থেংনরকখি। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা চেলসী হিমসৰর্থনা হায়খি, উচিনা অকোয়বদগী পেথোজেনিক ঈ-কোলি লৌশিল্লগা ইমুংদা শন্দাকপা ঙম্মী হায়বা খঙলবনিনা অতৈ অতোপ্পা হান্না খঙনরমদবা লায়না কয়াসু শন্দোক্লম্বা য়াবগী ওইথোকপা লৈ।

ইমুংদা উচি লৈবগী থৌওংবু তরাইনা লৌফম থোক্তে হায়খি, সাইন্টিষ্ট অমদি পেষ্ট কন্ট্রোল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাক লৌরগা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা উচি লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি 'জর্নেল ওফ ৱাইল্ডলাইফ দিজিজেজ' দা হন্দক ফোঙল-কখিবনি। সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননসু ইমুংদা উচি লৈবনা মীওইবদা লায়না কয়া শন্দারকই হায়না ফোঙদোকখি। সী দি সীগী রিপোর্ট অমনা হায়রি, ইমুংগী মফম কয়াদা চাইথোরকপা উচিগী মথী ময়ুং অমদি মতিলদা য়াওবা মহীকশিংনা মীওইবদা হেন টাইভাইরস পলমোনরি সিন্দ্রোম (ঐচপিএস) কৌবা লায়না অমা শন্দারকই। কুমজা ১৯৯৩ দা ইহান হানবা ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থেংনরকখিবা লায়না অসিনা কনাগুম্বা অমবু শিহনবা ফাওবা য়াই।

উচিদা লৈবা মহীকশিংনা ম্যুরিন চাইফস কৌবা লায়না মীওইবদা শন্দারকপা য়াই। আর টাইফি কৌবা মহীক চেল্লবা উচিগী মহীকশিংনা মীওইবদা চীক্লবা মতমদা লায়না অসি শন্দোরকপনি। উচিনা চীকখিবা নৎত্রগা খোৎখিবা মতমদা রেট-বাইট ফিবর (আর বি এস) কৌবা লায়না অমা ওইহল্লকপা নৎত্রগা ঈশিং থক্লুবদগীসু লায়না অসি ওইহল্লকই।

সালমোনেলা এন্টরিকা সেৰোবার টাইফিমরিয়ম কৌবা উচিদা পকপা মহীক অমনা মীওইবদা চীকখ্রগা ওবা-ফাইবগী লায়না ওইহল্লকপা য়াই। ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল শোল্লিবা মরম্না পীক্লিবা অঙাংশিংদা লায়না অসি তোয়না নাবা থেংনৈ। অহল ওইশিল্লক্লবা অমদি ইম্যুন সিষ্টেমগা মরী লৈনবা লায়না লৈবা মীওইশিংদসু লায়না অসি অরায়বা মওংদা চঙবা ঙম্মী।

সী দি সীগী রিপোর্টনা হায়খি, উচিদা য়াওবা লেপ্টোস্পিরা কৌবা মহীক অমনা মীওইবদা লেপ্টোস্পিরোসিস কৌবা লায়না ওইহল্লকপা য়াই। লায়না অসিনা মরম ওইরদুনা মীওইবদা তোঙান-তোঙানবা লায়ওং কয়া উৎথোরকই। কনাগুম্বা খরদা লায়ওং অমত্তা উৎথোরক্তবসু য়াই। লেপ্টোস্পিরোসিসকী মরুওইবা লায়ওংশিংদি লায়হৌ হৌবা, কোক চীকপা, হকচাং ঈংবা, মশল নাবা অমদি ওবা-ফাইবনি। করিগুম্বদা উনসা অমদি মীৎতা নাপু মচু কারক্তুনা জোন্দিস ওইহল্লকপা য়াই।

লায়না অসিনা নাবদগী খোঙ হামথরকপা মতমদা মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি কনাগুম্বা অমবু কিদনি ফেল ওইহল্লকপদগী শিহল্লি। কনাগুম্বা খরদা মেনিঞ্জাইটিস (ব্রেন অমদি স্পাইনেল কোৰ্দকী অকোয়বদা লৈবা মেম্ব্রেনদা ইনফ্লেমেসন তৌবা), লিভর ফেল ওইবা অমদি নিংশা শ্বর মরীদা অকায়বা থোকহল্লকপা য়াওই।

ইমুংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা উচিনা ইলেক্ট্রিক ৱায়রদগী হৌরগা লুখাক চগুম্নচিংবা পোৎলম খুদিংমক চায় অমসুং চীকথৎলি। ইমুংদা মশীং থীঙমদনা লৈরিবা উচিনা চোইথোরকপা মথী-ময়ুংদা লায়না পোকহল্লকপা য়াবা মহীক-মতায় কয়ামরুম য়াওই হায়বা খক কাউরোইদবনি। ইশম-শম্না হায়রবদা মীওইবনা য়ুম অমদা উচিশিংগা পুন্না লৈমিন্নরিবনি। অদুবু উচিনা মীওইবদা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগী মতাংদদি মীওই অয়াম্বনা থৌশানদে।

করিগুম্বদা খঙহৌদবদগী উচিনা চারম্বা চাক লুখাক চাবা মীওই কয়াসু লৈতবা নত্তে। উচিগী মথী-ময়ুং অমদি মতিলদা হেন্টা ভাইরস কৌবা মহীক অমা য়াওবনিনা উচিগী লুখাক চারুবদগী মীওই কয়া লায়না পল্লকই। অদুবু উচিনা থোকহল্লকপা লায়নানি হায়বা খঙদবনিনা অরানবা মওংদা লায়েংবগী থৌরাং লৌখৎনৈ। খুদোংথিবা কয়াদগী ঙাকথোক্ল বগীদমক ইমুং অমদি অকোয়বগী ফীভম লু-নান্না থম্বগা লোয়ননা য়ারিবমখে ইমুংদা উচি লৈহন্দনবা হোৎনগদবনি। মখল কয়াগী থৌরাং লৌখৎতুনা ইমুংদা উচি লৈহন্দনবা হোৎনবা য়াম্নমক তঙাইফদে। ইমুংগী মফম অমদা উচি অশিবা নৎত্রগা উচি মথী লৈরম্বা থেংনরবদি চেকশিন্না লৌথোক্তুনা হুন্দোকখ্রবা মতুংদা মহীক-মতায় হাৎনবা দিসাই-ফেক্টেন্ট মহী চাইথোক্কদবনি। থৌরাং অসি লৌখৎপদা হেন্দ গ্লোব উপ্পা মথৌ তাই।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৬১ গী ৱিন্নরদা মনা খুৎশিন্নখ্রে



*হুইয়েন লানপাউ* স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৬১ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা মুতুম মালেমঙানবা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচএন এস): *হুইয়েন লানপাউ* স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৬১ গী ৱিন্নর ওইখ্রবা মুতুম মালেমঙানবা (২৪) দা *হুইয়েন লানপাউ* গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্না ঙসি পাউচেঅসিগী ওফিসতা মনা খুৎশিন্নখ্রে।

পাউ-চে অসিগী সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায়দা লৈবা ওফিসতা ঙসি *হুইয়েন লানপাউ* স্পোর্টস ক্যুইজ নম্বর ৬১ গী ৱিন্নরগী মনা খুৎশিন্নখ্রবা মুতুম মালেমঙানবা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা খোঙজোম খেব চীংদগীনি। মহাক মুতুম শ্যাম অমদি মুতুম ওংবী ইবেমপিশক্কী মচা অহুমগী মনুংদা ইতোন তোনবনি। মহাক হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা পোলিটিকেল সাইন্সতা তরুক শুবা সিমিষ্টরগী ইগজাম পীখ্রবা মহৈরোয়নি। পাউচে অসিগী স্পোর্টস ক্যুইজদা শরুক য়ারুবদগী হান্না খঙলমদবা কয়া নৌনা থিনবা হোৎনবদা ইশাদা লাইরিক পানিংবগী ঈথিল অমসু পোকহল্লি। স্পোর্টসকী লমদা থিজিন- হুমজিনবগী থবক অমা ইশাদা ফাওরকপা অসি নুংঙাইবা পোকই। অরিবা শান্নরোয় কয়া থিজিল্লুবদা থেংনরকপদা ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা পোকই।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, খোঙজোম খেব চীং অসি থক্লবা টোটি ঈশিং ফঙদে। থক্লবা ঈশিং লৈরগা নৎত্রগা পুখ্রিদগী তঙায়ফদনা শীজিন্নরি। টোটি ঈশিং ফঙদবা চহী য়াল্লক্লে। মরম অদুনা পি ঐচ ঈ দিপার্টমেন্টনা খোঙজোম টুরিষ্ট সেন্তরগা থংননা লৈরিবা খুল অসিদা ৱাটর রিজর্বর অমত্তং শেম্বীদুনা লমকোয়বশিং অমদি খুল অসিগী খুঞ্জাশিংনা শীজিন্ননবা থম্বীরবদি হেন্না নুংঙাইগনি। চহী খরগী মমাংদা খোঙজোম লাংঙথেলদা লৈরম্বা ৱাটর সপ্লায় স্কীম অদুসু শীজিন্নবা য়াখিদবা চহী য়ামশিল্লক্লে হায়খি। খোঙজোম খেব চীং অমদি খোঙজোম কৈথেল ফাওনরিবা লম্বী অসি মমাংগী লৈঙাক্কী মতমদগী শেম্বীরক্তবদগী ঙসি ফাওবা শেম্বীদবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে। টুরিষ্ট স্পোট লৌশিনখিবা মতমদা পীথোক্তনা লৈরিবা কম্পেন্সেসন অসি পীথোকপীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# কে সী পি (এন)গী ফাইনান্স ইন-চার্জ ফারে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচ এন এস): কুমতরুকশুবা সেক্তরগী মখাদা লৈবা ১১ শুবা অসাম রাইফলস কাঙবুনা ঙসি নুংথিল পুং ৪.৩০ রোম তাবা মতমদা কে সী পি (এন) গী মশানা মশাবু ফাইনান্স সেক্রেটরি ইন-চার্জনি হায়জবা মীওই অমা ফারে হায়রি। মহাক ১১ শুবা অসাম রাইফলসনা ইম্ফাল মোরে লম্বীগী ঐচ মোলজাং ত্রেক্কী জঙ্কসনদা গাড়ী খামদুনা চেক তৌবদা ফাবনি। ফারবা নুপা অদুগী মমীং এম দি অমির খান এলিয়জ অমান (২৬) অপোকপা এম দি সরাই অহমদ কৌই। মহাক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী লিলোং নুঙ্গৈ খুনদা লৈবনি হায়রি।

অসাম রাইফলনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা হায়, ফারবা এম দি অমির খান্না তুমুদা মশানা মশাবু মেজরনি হায়জবা রামেস এলিয়জ য়াংবা (৩৫) কৌবা অমগা লোয়ননা ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লুপ অসিগী শেল খোমগৎনবা লাকপনি হায়রি। মখোয়না শেল খোম্নবা হোৎনরম্লিবা মফমশিং অদুদি, মোর্দন কোলেজ, রেমেদি হোস্পিটাল, ককচিং খুনৌ কোলেজ, ৱাঙ্গৈই হায়র সেকেন্দরি স্কুলনচিংবনি হায়রি। মঙোন্দগী লুপা লাখ ১.৫ কী ওইগদবা দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ৩০০ অমদি মোবাইল ফোন অমা সিম কার্দ তরুক অমসু ফঙলে। পোৎলমশিং অদুগা লোয়ননা মহাক মোরে পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# নীংথম কুম্মৈঃ ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী কোম্বীরৈ লীলা উৎখ্রে

নোমিতা খোঙবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরকপা ১৪ শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈগী মরিনি চনবদা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *কোম্বীরৈ* মীঙ্গৌবা লীলা উৎখ্রে।



লীলা হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ঙরাং উৎখিবা লীলাগী খন্ন-নৈনবা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱারেপ্পা নবনা চ্যেয়র লৌদুনা ৱাতেমখি। মীয়ামগী ৱাহং নৈনা ৱারোল অমদি সজেসন কয়া পুথোক্ল খি অমদি সর্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি। মীয়াম্না হংলিবা ৱাহং অমদি সজেসন কয়া অসি লীলাগী অইবা অমদি দিরেক্তরনা হরাওনা লৌবা ঙম্বগী হৈনবী লৈরবদি শুমাং লীলাগী মতিক ময়াই হেনগৎকনি।

নীংথম কুম্মৈগী ঙসি মরিনি চনবদা উৎখিবা ইরমদম মণিপুর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন (ইমা) গী লীলা *কোম্বীরৈ* মীংথোনবা লীলা অসিগী শল্লপ্পা ৱারীদি, লৈশাবী অমনা ময়ুম পান্দনা মৌপ্পা অনিবু কোন্দুনা শেমজরকখি। মৌপ্পা অহল সনাখোম্বা এম সী এস পাস তৌদুনা থবক তৌখি। ওফিসর মচা অমা ওইজদুনা ইজ্জৎ শনমান ফঙজখি। অদুবু লায়বক থিবা থৌদোক অমদগী মনাওনিপা বোবো মরোল থোক্তবা মীমান্নদ্রবা মীশক ওইদুনা মচিন-মনাওগী মরক্তা খেৎনবা লৈহনখি। এম সী এসকী নুপী অচাওরম পাম্বী লমচৎ কাম্বী ওইখিবদগী মচিন-মনাও তিন্ননিংদবা, মনিংতম্বা পাম্বদগী য়ুমগাইবী হায়বদু ওইখি। মমা শক্লা নাওয়োক নাওকোঞ্জরকপী মচে কোম্বীরৈগা নুংশিনজবা অসামদগী খেলেম্বা নীংঙমদনা হনখিবদগী মণিপুর পনবা য়াখিদে। অদুবু মীমান্নদ্রবা বোবোগী পুন্সি হান্নগুম্না হঞ্জিন্নবা হোৎনবদা চীংখৈঙম্বনা মপা খেলেম্বদগী শেল লৌদুনা লায়েংখি। মমা মশক উজহৌদ্রবনা মরম ওইরগা মপাগা নুংশিনজবা কোম্বীরৈবু মমা ওইনা লৌশিন্নবা হোৎনবা লীলাদা য়ুম্ফম থোন্দুনা পুথোকপা লীলা কোম্বীরৈনি।

কোম্বীরৈ মীংথোনবা লীলা অসি অচৌবা মায়পাকপা লীলা অমা ওইখি। শুমাং লীলা শঙলেন্দা অচৌবা মফম কন্দুনা লীলাগী মতিক ময়াই হাপ্পা লীলা শান্নখি। লীলা অসিনা পীনিংলিবা পাউজেলদি, ঐখোয়গী হেরিটেজ অমদি লংথবালগী রাস মন্দল হৌদোকখিবা মফম্বু মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা খঙবীদুনা হেন্না মীৎয়েং চঙহন্নবগী পাউজেল পীখি হায়বসু য়াই। মসিগীসু মথক্তা নুংশিবা হায়বসিনা খ্বায়দগী হেনবা অথোয়বা গুননি হায়বদু উৎখিব্রা হায়না থাজে।

লীলাগী ওইবা মপুথোক অমদি মফোঙদোক্তা ত্রেদিসনগা নকশিন্নবা অমদি লীলাগী রিদমদা চঙখোনবা মতৌ অদু মীয়াম্না খোয়দানা য়েংনখি। শৈশকপদগী লীলানা নাথৈদুনা চৎপা লীলাগী মশক অদু হৌজিক্কী মতমদা চান্নদ্রে হায়রগসু ঙসি উৎখিবা লীলা কোম্বীরৈনা চানৈ চান্নদে, পামনৈ পাম্নদে হায়বগী চাংয়েংদা মায় পাক্লা চৎখি। শুমাং লীলা হায়বসি রিভোল্যুসন য়াওদ্রগদি শুমাং লীলাগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়নরিবনি।

লীলা অসিদা নিপাগী শক্তম লাংখিবশিংদি, অসামগী খেলেম্বগী শক্তমদা চিংলেন থিয়াম, এদিম্নেল এস পি মেঞ্জরগী শক্তমদা গীতচন্দ্র চোংথাম, তোলেনগী শক্তমদা খেকমন দেবান, এম সী এস সনাখোম্বগী শক্তমদা ওকেন থৌদাম, শকহেনবগী শক্তমদা খেকমন রতন, বোবোগী শক্তমদা তোনি অকোয়জম অমসুং অসামগী চীংখৈঙম্বগী শক্তমদা সুর অথোকপমনি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদা কোম্বীরৈগী শক্তমদা রোবিন্দ্রো লংথবাল, শকহেনবীগী শক্তমদা হেরামোটি অমসুং সোফিয়াগী শক্তমদা সুরচান্দনা শক্তম লাংখি।

লীলা অসি ওক্রম কুঞ্জোনা ইরগা চিংলেন থিয়ামনা লমজিং লমতাকপনি। রোবিন্দ্রো লংথবাল অমসুং গীতচন্দ্র চোংথামনা লমজিং লমতাকপদা মতেং পাঙখি।

ঈশৈ ময়েক্তা চিংলেন থিয়াম অমসুং ম্যুজিক্ট দিরেক্তরদা ভিতেনি। নিপা খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবা ব্রোজেন খেকমন অমদি নুপী খোঞ্জেলদা শৈশকলিবনা কেবিসনানি। তল্লাদা গান্ধী, পেদ ড্রমদা ভিতে, ওর্গান্দা তোম্বা, গীটরদা মোচা অমদি বাঁসিদা অরুন্নচিংবনি।

হয়েং মঙানি চনবা নীংথম কুম্মৈগী নুংথিল পুং ২ তাবদা পোকলেন পোকপা আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *চৈনাখোল* উৎকনি। নুংথিল পুং ১ তাবদা ঙসি উৎখিবা লীলা নৈনগনি অমদি সর্টিফিকেট য়েন্থোক্কনি।

# সঙাই কন্নবগী মতাংদা অসাম রাইফলসনা এৱ্যেরনেস পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৭ (ঐচ এন এস): মমী শাল্লক্লবা মণিপুরগী সঙাইবু কন্নবগী পান্দমদা ২৮ শুবা সেক্তরগী মখাদা লৈবা ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসনা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর সাউথনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

২৮ শুবা সেক্তরগী মখাদা লৈবা ৩৯ শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী ককচিং রেঞ্জ ওফিসর য়াওনা লমদম অসিদা সঙাইবু কন্নবগা হোৎনবদা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস অদু পাঙথোকখিবনি। ৱার্কশোপ অদুদা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ককচিং রেঞ্জ সাইন্টিষ্ট অমদি ৱাইল্ড লাইফ ইন্সটিট্যুট ওফ মণিপুরগী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ অদুদা লমদম অসিদা ফঙলিবা সঙাইবু মুৎখিদনবা অমদি লমদম অসিগী মীয়াম মরুওইনা নহা ওইরিবশিংনা সঙাইবু কন্নবা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা অসাম রাইফলসকী এক্সপর্টশিং অমদি ফোরেষ্ট রেঞ্জগী সাইন্টিশিংনা মীয়ামদা এৱ্যেরনেস পীখি। এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অদুদা লমদম অদোমগী শক্ল ইরবা মীয়াম, ফোরেষ্ট রেঞ্জ ওফিসরশিং, সাইন্টিষ্টশিং অমদি অসাম রাইফলসকী পর্সনেল কয়াসু শরুক য়াখি। লমদম অদোমগী য়াম্না অসিগুম্বা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসি পাঙথোকপগী এ আরবুসু থাগৎলক্লি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।



HL-B/4281/16-31Dec.